# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 13-10-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মণিপুরদা ঙসি ধর্ম্মগী চৎনবীগা লোয়ননা ক্বাক তানবগী থৌরম পাঙথোক্কনি।

২) রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুগী লৈবাক অহুম- অলজেরিয়া, মৌরিতানিয়া অমসুং মালাৱিগী খোঙচৎ ঙসিদগী হৌরগনি।

অমসুং

৩) আই.সি.সি ৱিমেন্স টি-ত্বেন্তি ক্রিকেট ৱার্ল্ড কপকী মেটচ অমদা ঙসি নুমিদাং ভারতকা ওষ্ট্রেলিয়াগা শান্নগনি।

------

ক্বাক তানবা (এল)ঃ মণিপুরদা মেরাগী তরানি পানবা ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎ অসিদা ধর্ম্মগী চৎনবীগা লোয়ননা ক্বাক তানবগী থৌরম পাঙথোক্কনি। উত্রা শঙলেন সনা কোনুংনা শিন্দুনা থৌরম অসি নুংথিল পাঙথোক্লগনি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা সনা কোনুংদগী ৱাংখৈ অঙোম লৈকাই কম্ম্যুনিতি হোল ফাওবা খোঙচৎ অমা চৎলবা মতুং মফম অদুদা ক্বাক তানবগী থৌরম পাঙথোক্কনি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা জগোই য়াওনা তোঙান তোঙানবা নাৎকী ওইবা থৌরমশিংসু পাঙথোক্কনি।

হৌ চোংবা (এল)ঃ লাক্লিবা শগোলশেন নুমিৎতা পাঙথোক্কদৌরিবা মৈরা হৌ চোংবা থৌরমগা মরী লৈননা ষ্টেট লেবেল ওর্গনাইজিং কমিতিগী মীফম অমা

পেলেস কম্পাউন্দ ইম্ফালদা লৈবা সনা কোনুংদা পাঙথোকখ্রে। রাজ্য সভাগী এম.পি. মহারাজ লৈশেম্বা সনাজাউবনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা থৌরম অসিগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখি হায়রি। কুম্মৈ অসি রাজ্য অসিগী চীং অমসুং তম্পাক্কী মফমশিংদা খুন্দারিবা মীওইশিং মচিন মনাউ ওইবগী মরী হেন্না চেৎশিনহনবনি।

পুলিস (এল)ঃ  মণিপুর পুলিসনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদগী আইন্না থিংখ্রবা প্রিপাক্কী মীওই অনি ঙরাং ফারে হায়রি। মখোয় ইম্ফালদা লৈবা তোঙান তোঙানবা সো রুমশিংদগী শেল খায়বদা চেন্নবা মীওইশিংনি হায়রি। মখোয়দগী মোবাইল হেন্দসেট অনি, চাকা অনি পানবা গাড়ি অমা অমসুং দ্রাইভিং লাইসেন্স অমা ফংলে। মণিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমগী চেরোল অমগী মতুংইন্না নেসনেল হাইৱে থার্তি সভেন অমসুং নেসনেল হাইৱে টুদা অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং পুশিল্লক্লি।

দেদ (এল)ঃ  থৌবাল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা থৌবাল নিংঙোম্বম শিঙম লৈরক্তা মতৈ মনাউ খৎনবা খামলুবা ময়াম্বদা মনাউনুপানা নোংমৈনা কাপ্লদা ময়াম্বা অদু লৈখিদ্রে হায়রি। ঐখোয়গা থৌবাল পাউমী শোইবম বিনোইনা হায়-থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওই অসি হৌজিক হৌজিক আনন্দপুরনা হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা প্রিন্সিপাল ওইবনি হায়রি। থৌদোক অদু ঙরাং নুমিদাং পুং ৯ মিনিত ১০ রোম তাবা অদুৱাইদা থোকখিবনি হায়রি। থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওহ অদু ইম্ফালদা লায়েংনবা পুখৎলকপদা হোস্পিতাল য়ৌবদা লৈখিদবনি হায়রি। অশিবা হকচাং পোষ্ট মোর্তেমগীদমক জেনিমসকী মোর্গতা থমখ্রে। মনাউ নুপা অদু থৌবাল পুলিসনা ফারে হায়রি।

এমদিএ (এল)ঃ  মণিপুর দেমোক্রেতিক এল্লায়েন্স (এম.দি.এ)গী মীহুৎ কাংবু অমনা ঙরাং রাজ্যপাল লক্সমন প্রসাদ অচারিয়া উন্নদুনা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে।

মেমোরেন্দম অদুদা নেসনেল হাইৱে থার্তি সভেন অমসুং ১০২ দা মণিপুরী মীতৈ অমসুং মৈতৈশিং অশোই অঙাম য়াওদনা চৎথোক চৎশিন তৌহনবা, ম্যান্মারগা মণিপুরগা তাইনবা কিলোমিতর ৩৯৮ শাংবা অন্তরজাতিগী ঙমখৈ পরিং অথুবা মতমদা শন্বল খাবগী থবক লোইশিনবা, মণিপুরদা এন.আর.সিগী থবক পায়খৎহনবা অমসুং লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা মীওই লিশিং ৬৫ রোম নিংথিনা খুন্দা লৈতাহনবগী ৱাফম য়াওরি।

দল ৯ গী মীহুৎশিংনা সহি তৌদুনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- রিলিফ কেম্পশিংদা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা মীওইশিংগী হকশেলগী ফিভমদা চাউনা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োকরি। মরম অদুনা মণিপুরগী মীয়ামগী য়েংলগা রাজ্যপালনা অথুবা মতমদা থবক লৌখৎপীনবা হায়রি।

সিনেমা (এল)ঃ মণিপুরী সিনেমা য়োকখৎনবা পান্দমদা মণিপুর ষ্টেট ফিলম দিভলপমেন্ট সোসাইতিনা লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা মসিগী ওদিতোরিয়মদা মণিপুরী ফিলম ব্রোজেন্দ্রোগী লুহোংবা উৎকনি। ফিলম অসি শাপম নোদিয়াচান্দ সিনে আর্কাইব এন্দ ম্যুজিয়মনা অরিবা ফিলমশিং অমুক হন্না শেমদোক্লুনা ফিলম অসি উৎকদবনি।

নোং ঃ অৱাং নোংপোক ভারত মফম খরদা লাক্লিবা নুমিৎ নিনি অসিদা ময়াই ওইরপ্তগী কল্লপ নোং চুগনি হায়রি। ইন্দিয়া মেট দিপার্টমেন্টকী পাউ মতুংইন্না অন্দমান নিকোবর ঈথৎ, অরুনাচল প্রদেশ, অসাম, মেঘালয়, নাগালেন্দ, মণিপুর অমসুং ত্রিপুরাগী মফমশিংদা নোং চুগনি। করনাতক্কী খা থংবা শরুক, কেরলা অমসুং তামিলনাদুগী মফম কয়াদা লাক্লিবা নুমিৎ মঙা-তরুকি অসিদা অকনবা নোং চুগনি।

রাষ্ট্রপতি ঃ রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুগী লৈবাক অহুম- অলজেরিয়া, মৌরিতানিয়া অমসুং মালাৱিগী খোঙচৎ ঙসিদগী হৌরগনি। মসি ভারতকী রাষ্ট্রপতি অমনা আফ্রিকাগী লৈবাক অহুম অসিদা চৎপা অহানবা খোঙচৎনি। ভারতকী জি-ত্বেন্তি

প্রসিদেন্সিকী মতমদা আফ্রিকান য়ুনিয়নবু জি-ত্বেন্তিগী পার্মেনেন্ট মেম্বর অমা ওইহনখিবা অদুগী চহি অমগী মতুংদা ঐতিহাসিক ওইরবা রাষ্ট্রপতিগী খোঙচৎ অসি চৎকদবনি। চয়োল অমরোমগী রাষ্ট্রপতিগী খোঙচৎ অসিদা মহাকা লৈবাকশিং অদুদা লৈবা ভারতমচাশিংগা ৱারী ৱাতাই শান্নগনি অমসুং লৈবাকশিং অদুগী লুচিংবশিংগসু তোঙান তোঙানবা হিরমদা ৱারী শান্নগনি।

রাষ্ট্রপতিগা খোঙচৎ অসিগী অহৌবদা ঙসি অলজেরিয়াদা চৎকনি। মফমদুদা মহাকা লৈবাক অদুগী রাষ্ট্রপতিগা উন্নগনি অমসুং ইন্দিয়া-অলজেরিয়া ইকোনোমিক ফোরম অমসুং সিদ্দি অবদেলা সাইন্স এন্দ টেকোলোজি পোল য়ুনিভর্সিতিদা ৱা ঙাংগনি। মদুগী তুংদা রাষ্ট্রপতিনা থা অসিগী ১৬ তা মৌরিতানিয়াদা চৎকনি। মথং নুমিৎতগী থা অসিগী ১৯ ফাওবনা মহাকা মালাৱিদা চৎকনি।

গতি শক্তি ঃ পি.এম. গতি শক্তি নেসনেল মাষ্টর প্লান ঙসি চহি অহুম মপুং ফারে। লৈবাক অসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা ইকোনোমিক জোনশিংদা মল্টি মোদেল ওইবা কন্নেক্তিভিতিগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর ফংহন্নবা পান্দমদা মাষ্টর প্লান অসি ইং কুমজা ২০২১ দা হৌদোকখিবনি। পি.এম. গতি শক্তি অসিদা কেন্দ্রগী মন্ত্রালয় ৪৪ অমসুং রাজ্য অমদি য়ুনিয়ন তেরিতোরি ৩৬ না পুল্লগা শেন্বনি। স্কিম অসিগী মখাদা ভারতপু ইং কুমজা ২০৩০ ফাওবগী মনুংদা লোজিষ্টিক পার্ফোমেন্স ইন্দেক্সতা লৈবাক ২৫ মনুং চন্নবা পান্দম থল্লি। স্কিম অসিনা লোজিষ্টিক্কী মমল হন্থহন্নবসু পান্দম থল্লি।

কেন্দ্রগী কম্মর্স অমসুং ইন্দষ্ট্রি মন্ত্রি পিয়ুস গোয়লনা হায়- পি.এম. গতি শক্তিনা ভারত্তা ইনফ্রাষ্ট্রকচর প্রোজেক্টশিং পায়খৎনবা অমদি মসিবু প্লান তৌনবা হোৎনবদা চাউনা অওনবা অমা পুরকপা ঙমলে। মহাকা হায়- তোঙান তোঙানবা মন্ত্রালয়শিং অমদি রাজ্য সরকারগা খুৎশমদুনা থবক থৌরমশিং মনুং মপান ফাওনা পায়খৎপা ঙমলে।

এনসিপি ঃ এন.সি.পি লুচিংবা বাবা সিদিক্কি ঙরাং শকখঙদবা মুম্বাইদা নোংমৈনা কাপ্পল্লম্বদগী লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদ্রে। বন্দ্রা ৱেষ্টতগী এম.এল.এ ওইনা অহুম্লক কারকখিবা বাবা সিদিক্কি কংগ্রেসতগী তোক্কুনা হন্দক চহি অসিদা অজিৎ পৱারনা লুচিংবা এন.সি.পিদা য়াওখিবনি। থৌদোক অদুদা ঙরাং নুমিদাং পুং ৯ মখায়রোম তাবা অদুৱাইদা নিরমলনাগরদা থোকখিবনি। মহাকপু লিলাবতি হোস্পিতালদা পুখৎলবা মতুং নুমিদাং পুং ১১ মিনিত ২৭ তা লৈখিদবনি। পুলিসনা মফম অদুদগী নাইন পোইন্ট নাইন এম.এম পিষ্টোল অমা অমসুং চিংনবা মীওই অনি ফাগৎলে। মুম্বাই ক্রাইম ব্রাঞ্চনা থৌদোক অদু থিজিনবা হৌখ্রে।

ক্রিকেট ঃ আই.সি.সি ৱিমেন্স টি-ত্বেন্তি ক্রিকেট ৱার্ল্ড কপকী মেটচ অমদা ঙসি ভারতকা ওষ্ট্রেলিয়াগা শান্নগনি। মেটচ অসি ভারতকী মতম নুমিদাং পুং ৭ মখায়দা শান্নগনি। অতোপ্পা মেটচ অমদা ঙসি নুংথিল পুং ৩ মখায়দা ইংলেন্দগা স্কোটলেন্দগা শান্নগনি।

ঙরাং শান্নখিবা মেটচতা সাউথ আফ্রিকানা বঙ্গলাদেশপু ৱিকেট ৭ তা থোইখি। অতোপ্পা মেটচ অমদা নিউজিলেন্দনা শ্রীলঙ্কাবু ৱিকেট ৮ দা থোইখি।

অমরোমদা, ভারত অমসুং বঙ্গলাদেশকী মেটচ অহুমগী নুপাগী টি-ত্বেন্তি ক্রিকেট সেরিজ ভারতনা ৩-০ দা লৌরে। ঙরাং হাইদ্রবাদগী রাজিভ গান্ধি ইন্তরনেসনেল ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অমদা ভারতনা বঙ্গলাদেশপু রন ১৩৩ দা মায়থিবা পীখি। হান্না বেত্তিং তৌখিবা ভারতনা অপিবা ওভরদা রন ২৯৮ লৌখি। মদুগী পাউখুমদা বঙ্গলাদেশনা অপিবা ওভরদা ৱিকেট ৭ তুরগা শুপগী রন ১৬৪ লৌখি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মীয়ামদগী নমদুনা শেনখায় থুমখায় থবক থিংনবা মণিপুর পুলিসনা এন্তি এক্সতোর্সন সেল হাংদোকখিবা অমসুং মণিপুরদা দেঙ্গি কেস হেনগৎলকপগী পাউনা ঙসি ফোংনরিবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইরি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা- মীয়ামদগী নমদুনা শেনখায় থুমখায় চখবা থিংননবা এন্তি এক্সতোর্সন সেল হাংদোকখ্রে, চেন্নবা মীওই চহুম হুমফুতরা মাথোই ফাগৎখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পাউ অসি নহারোলগী থৌদাংদা- শেনখায় থুমখায়গী থবক থিংনবা মণিপুর পুলিসনা থবক লৌখৎলকপদা মীয়ামা মতেং পাংবীয়ু হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। মসিগা মান্নবা পাউশিং- মণিপুর নিউজ, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, সনালৈবাক, শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস অমসুং মণিপুরী ইদিসন, পোকফম অমদি পিপলস ক্রোনিকলদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুরদা দেঙ্গি লাইচৎ কিনিঙাই ওইবা ফিভম য়ৌরক্লে। নোংমা খক্তদা মণিপুরদা মীওই হুমফুতরা নিথোই দেঙ্গি পোজিতিভ ওইবা থেংনরে হায়বা পাউনা সনালৈবাক্কী অনিসুবা হেদলাইন ওইরি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা- ইম্ফাল ৱেষ্টনা দেঙ্গিগী কেস খ্বাইদগী ৱাংবা জিলা ওইরে। হন্দক চহিগী ওইনা কেস লিশিং অমা চহুম তরামাথোইগী মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্টতা চামাপল তরানিপাল ওইরি হায়বা পাউনা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথনা লুপা ক্রোর লিশিং অনি চনি কুনথ্রা তরুক্কী প্রোজেক্ট হুমফুতরা মঙা শঙ্গাখ্রে। নাগালেন্দ, মিজোরমগী অমমম য়াওরবসু মণিপুরগী য়াওদ্রে হায়বা পাউনা হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

মণিপুরগী পুৱারী করমা শেমখিবনো হায়বা মহৈরোইশিংদা খঙহন্নবা সিলেবসতা হাপ্লগনি হায়বা হকশেল মন্ত্রি ডাঃ শাপম রঞ্জনগী ৱাফমনা মণিপুর নিউজগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

অঙ্গনৱাদি ৱার্কর-হেল্পরশিংগী ওনররিয়ম হেনগৎনবা খন্নরি হায়বা সোসিয়েল ৱেলফ্যার মন্ত্রি হৈখাম দিঙ্গোগী ৱাফম অমা শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী এনকর কলমদা ফোংলি। মসিগা মান্নবা পাউ পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

------